ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

হোকর ওইরম্বা খোইস্নাম কোবগী মীংদা মচানুপা টোকিওনা পিশুম ওইনাম লৈকায়গী অহল ওইরবা মীওইশিংদা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকপা

লামায় ১

তমথীবা ক্রিমিনেল অমগুম্না ফাজিনবগী থৌওং য়ানিংদে : দেসাম

☛ লামায় ২

মতেং খজিক্তং পাংবীরবদি অমুক্তা হেন্না মায় পাক্কনি : অশাং ঙালুং

☛ লামায় ৩

মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মে ১১গী নোংয়াইদগী বন্দ তৌরগনি : কমিটি

☛ লামায় ৪

ক্বাক্তা মীয়াম্বু এম এল এনা অপঙবা শীবিগনু

☛ লামায় ৫

ককচীং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ককচীংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদা সেনিটাইজর অমদি মাস্ক য়েন্থোকখিবা

লামায় ৫

Vol. 45, Issue No. 045 | লৈবাকপোকপা, শজিবু থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 11, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না ৱাংবদগী ফগৎলকপগী চাং চাদা ৮৫.৭৬তা হন্থরক্লে

পুং ২৪দা মীওই ১৩ শিখি, ৪২৪ পোজিটিভ ওইখি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভ থেংনদুনা মীয়াম্বু লায়না অসিদগী কলহৌনবা অরৈবা পান্থেশিং পুথোক্তুনা হোৎনরক্লবসু নুমিৎ খুদিংগী লায়না অসিদা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং য়াম্না থেংনবদগী মীওইশিং অসিগী মনুংদগী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা শিহনবগী মশীংসু শিংথানীংঙাই ওইনা হন্থরকপা লৈত্রি।

ঙসি নুংথিল লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমনা থোরককখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা টেষ্ট তৌখিবা মীওইশিংগী মনুংদগী মীওই ২,৫১৩গী রিজল্ট ফংখিবদা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মীওই ৪২৪ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়রি।

অপূনবা ঙসিগী ওইনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদগী ৪১৪না জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনি অদুগা মীওই ১০না সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) কী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

চীফ সেক্রেটরি ইন চার্জনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিবু থেংননবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অমদি লায়না অসিনা নাহন্দনবগীদমক মশাগী চহী ৪৫ অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা মীওইশিংবু হীদাক কাপথোকপগী চথরক্লিবা থবক থৌরমশিংবু চীফ সেক্রেটরিগী চার্জ পুরিবা এম ঐচ খাননা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল অসিনা চৎতুনা হায়রিবা থবক থৌরমশিং অসিগী মতাংদা য়েংশিনখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটাল অমসুং লৌকোয় পাৎতা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

এয়রপোর্টতা পোজিটিভ ওইবা মীওই ৫ থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মপান্দা লৈবা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী পুন্না মীওই ৪৪৭ ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবগী মনুংদা মীওই ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। মীওই ৫ অদু আর টি পি সী আরদা টেষ্ট তৌবদা থেংনখিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি ঙরাংসু এয়র পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদগী মীওই ৪ পোজিটিভ ওইরমখিবনি।

ও পি দি খক্তমক হাংলগনি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): য়াইরিপোক সী ঐচ সীগী ডাক্তরশিংবু কোভিদ ক্যের সেন্টর অমসুং সেম্পল কলেক্সন সেন্টরশিংদা য়ুটিলাইজ তৌখিবনা মরম ওইরদুনা সী ঐচ সী অসিগী ২৪ x ৭ সর্ভিসতা ডাক্তর মশীং ৱাৎলকপদগী হয়েংদগী ও পি দি খক্তমক হাংলগনি হায়রি।

ইমাখোলগী কেসো ইরেংবা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): অইবশিংগী লূপ অমা ওইরিবা ইমাখোলগী ফাউন্দর সেক্রেটরি কেসো ইরেংবা ঙসি নুংথিল জেনিমসতা লৈখিদ্রে হায়রি। অৱাং পোৎশংবম খুনৌদগী শক্লাইরবা অইবা অসিনা লাইরিক কয়া ফোঙদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লনগৈ হেনগৎনবা হোৎনরমখি হায়রি।

হোকর কোবগী মীংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): পিশুম ওইনাম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা হোকর ওইনা থবক তৌরম্বা খোইস্নাম কোবা মৈতৈগী মীংদা লৈকায় অসিগী অহলশিংদা পীরকপা পেন্সনগী শেনফমশিং মহাক্কী মচানুপা খোইস্নাম তোকিওনা অহলশিং অদুগী ময়ূম ময়ূমদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

কর্ফিয়ু থুগাইরগা পুলিস ফুরুবা ১ য়াওনা মীওই ২ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লনবা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা সেকমাইদগী য়ু লৌরুবা অমসুং মশামকসু য়ু ঙাওরবা মীওই অনীগী মনুংদা অমনা পুলিসকী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর অমদা খুৎ থাদুনা ফুরকপদা নত্তনা য়ুনিফোর্ম শেৎলিবা পুলিস ওফিসর অদুগী বেজ অমসুং হুইসল কোর্দ থদৎলুবা অমা য়াওনা মীওই অনী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

কর্ফিয়ুগী অথিংবা ঙাক্লা চৎনহন্নবা মথৌ পাঙথোকখিবা পুলিস ওফিসর অমবু ফু চৈখিবা থৌদোক অসি ঙরাং নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা চীংমৈরোং পুলিস আউট পোষ্টকী মনুং চল্লিবা শঙাকফমগী মফম অমদা থোকখিবনি। মফম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী লাইফম খুনৌদগী অরিবম ওজিৎ (৪৯) অপোকপা এ গোসাই অমসুং লাইময়ুম লক্ষ্মিকান্ত (৪২) অপোকপা গৌরমনি, কাইরং মমাঙ লৈকায়দা লৈবনা সেকমাইদগী য়ু লিটর ২০ মারুটি-৮০০ (সিলভর কলর) এম এন - ০৪ - ৩০৮৯দা হাপ্তুনা পুরক্লগা শঙাকফম এরিয়াদা য়োন্ননবা থৌরাং তৌরিঙৈদা চীংমৈরোং পুলিস আউট পোষ্টকী এ এস আই এন হেলেনজিৎ মৈতৈনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা চঙশিন্দুনা মখোয় অনীবু কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইবগী মথক্তা য়ু ঙাওবা অমসুং য়ু পুরক্তুনা মফম অদুদা য়োননবা হোৎনরকখি অদুবু থিংননবা হোৎনখি হায়রি।

লোয়ননা মীওই অনী অসিবু পুলিস

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ওক্সিজেন মরাং কায়হল্লু হায়বা পি আই এল হায় কোর্টনা অপূনবা রেসপোন্দেন্ট তরুক্তা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

লৈঙাক্লা কোভিদ পেসেন্ট ফমশেন্নরিবশিং চৎথোক চৎশিন য়াহনবগা লোয়ননা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংহনগদবনি হায়খ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): হৌজিক ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিদগী মণিপুরগী কোভিদ-১৯ পেসেন্ট লায়েংলিবা হোস্পিটালশিংদা শরক শিহন্দনা মথৌ তাবা ওক্সিজেনশিং পীগদবনি অমসুং মণিপুরগী হোস্পিটাল পুম্নমক্ত ইনন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) গী ফমুংশিং মরাং কায়না থমগদবনি হায়বগা লোয়ননা লোকল ওক্সিজেন প্লান্টশিংদা লেপ্তুনা পৱার সপ্লাই পীগদবনি হায়বনচিংবা ৱাকৎশিং লানখৎলক্তুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ঙসি কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৫ অমসুং ৬ ওইরিবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী দিরেক্টর অমদি মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) গী মেনেজিং দিরেক্টরদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

হায়রিবা ৱাকৎশিং অসি মশামকসু এদভোকেট অমা ওইরিবা উরিপোক

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মরোল থোকপা লাই/ ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ


...চিনবানসিদ্ংগা ফোৎচিনবীরবদি অরাম থৌরাংবা পোন্নসু শাফরদৌনি
মীয়াম পুম্নমক চরা হেলহন্দবা ঙম্লনি...
RICE
NFSA
₹.3 PER

পৃথিবীরাজনা এম এল এ সরতচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন

জুন ১১ ফাওবগী মনুংদা ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌনবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেম্বলি মীখলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ২৭-মোইরাং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা পি সরতচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী চথরক্লিবা ৱায়েল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা কেস অসিগী ৱিটনেস পুম্নমক্কী এগজামিনেসন তৌবগী থবকশিং লাক্লিবা জুন ১১, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা বি জে পিগী মীরেপ অসিগা অকনবা লম্বা তৌনখিবা কোংগ্রেসকী মীরেপ এম পৃথিবীরাজনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অদুগী নম্বর ৬ ওফ ২০১৭নি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা চার্জশিং কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এম এল এ পি সরতচন্দ্রগী মথক্তা তৌরক্তুনা ইলেক্সন পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসি লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখিবনি।

ৱায়েল অসিগী মনুং চন্না এপ্রিল ২৮, ২০২১দা মেটর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা মসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৯দগীনা ১৬ ফাওবগী মনুংদা লিষ্ট তৌরগা লৌখৎখি। কোর্টনা নুমিৎতুদা মেটর অসিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক লৌখৎলকপদা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরদুনা মায়োক্লরিবা মতম ফংদবগী ফীভমশিং অদু য়েংলদুনা কোর্টকী মায়কৈদগী কেস অসিগী ৱায়েলদা মথৌ তারিবা এদভোকেট কম্মিস্নর অমা খনগদবনি হায়বগী ফিরেপ লৌখি।

কোর্টকী ৱাফম অসিগী মতুংইন্না কেস অসিগী পার্টি পুম্নমক্কী মহুৎ শিন্দুনা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা কোর্টনা এদভোকেট সোরোকখাইবম ঝলজিৎপু কেস অসিগী ৱিটনেসশিং এগজামিনেসন তৌনবগীদমক এদভোকেট কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখি। লোয়ননা এদভোকেট কম্মিস্নর ওইনা খল্লবা কাউন্সেল এস ঝলজিৎতা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অমসুং দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু) শিংগী মথক্তা সমনশিং ইস্যু তৌবগা লোয়ননা মখোয়বু এগজামিনেসন তৌনবগী মতম অমসুং নুমিৎ খঙহন্নবা ওথোরাইজ তৌখি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কোর্টনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পার্টি পুম্নমক্কী কাউন্সেলশিংদা এদভোকেট কম্মিস্নর অসিগা এপ্রিল ৩০, ২০২১গী নুংথিল পুং ১দা উননবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা এদভোকেট কম্মিস্নরগী মায়কৈদগীসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখি।

নুমিৎ অসিদা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কেস অসিগী হিয়ারিংগীদমক মতম মরাং কায়না ফংদবগী ফীভমশিং অদুগী মতুংইন্না এদভোকেট কম্মিস্নরনা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা কেস অসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস অমসুং দিফেন্স ৱিটনেসশিংবু জুন ১১, ২০২১দগী চোন্থহন্দনা মখোয়বু এগজামিনেসন তৌবগী থবক পাঙথোক্লনবা দিরেক্সন পীখি।

লোয়ননা কোর্টনা নুমিৎ অসিদা পীরিবা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

হিমন্ত বিশ্বা সর্ম অসামগী তরামঙাশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

গুৱাহাটি, মে ১০ (এজেন্সী): হৌখিবা বি জে পিনা লুচিংবা অসাম লৈঙাক্তা মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিং ওইরিবা ফাইনান্স, হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী থৌরম পুবা মিনিষ্টর ওইখিবা অমসুং পার্টি অসিগী মরু ওইবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা হিমন্ত বিশ্বা সর্ম ঙসি ষ্টেট অদুগী ১৫শুবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

ঙসি মহাকপু চীং লেন্নবা থৌরম অমদা ষ্টেট অদুগী গভর্ণরনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌহল্লবা মতুং ইকান কান্নদনা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মহাক্না লুচিংগদৌরিবা অনৌবা অসাম লৈঙাক্কী অহানবা থৌদাংশিংদি হৌজিক অসামদা শরুক দারক্লিবা কোভিদ পেন্দমিক অসি চেক তৌবনা ওইগনি হায়খি।

লোয়ননা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং মসিগী থবক

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এগজাম লান্না কেন্সেল তৌরে হায়বগী মায়োক্তা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্লাস এলেভেন অমসুং ত্বেলভ এগজামিনেসন ২০২১বু লান্না শেমজিন শাজিনবা নোটিফিকেসন অমা শেমদুনা কেন্সেল তৌরে হায়দুনা ইন্টরনেট অমসুং সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌরকপগী মায়োক্তা কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরিনা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎখ্রে।

ৱাকৎ অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯋꯥꯔꯦꯡ ꯆꯥꯡꯗꯝꯅꯕ

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

জিবন হোস্পিটালনা কোভিদ পেসেন্টশিংদা ওক্সিজেন ৱাৎতনা পীনবা হোৎনরি : ডা. ৱাই অশোক কুমার

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস): মালেমগী ওইনা মীপাইনীংঙাই ওইরবা লাইচৎ কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) না নারবা মীওই কয়া ওক্সিজেন মথৌ তারকপদা ওক্সিজেন পীবা ঙমদবদগী ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লহল্লি। অদুবু মণিপুর ষ্টেট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা কোরোনাভাইরসকী অনাবা ওক্সিজেনগী য়াম্নমক মথৌ তারবশিংদা ওক্সিজেন ৱাত্তনা পীনবা হোৎনরি হায়না ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ককচীং লমদোংদা লৈবা জিবন হোস্পিটাল, ককচীংগী মেনেজিং দাইরেক্টর ডা. য়েংখোম অশোক কুমারনা ফোঙদোরক্লি।

ডা. অশোক কুমারনা হায়, কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) হায়রিবা লাইচৎ অসিনা নারবা মীওই কয়া ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা ওক্সিজেন ফংনদবগী অৱাবা মায়োক্লবা কয়া মীয়াম্নসু মীদিয়াদা উবীরিবা অদুনি। মণিপুরগী ওইনসু কোরোনাভাইরসনা নাহল্লবা মীওই কয়া লেপ্তুনা মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা হোস্পিটালশিংদা এদমিসন ফংনদবগী অৱাবা কয়া লাক্লি। ককচীং দিষ্ট্রিক্ত অসিদসু মীওই কয়া নাহন্দুনা মণিপুরগী ওইনা মী খ্বাইদগী হেন্না নাহনবা দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা অহুমশুবা নৎত্রগা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৪৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০.৩২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৫৬
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll

Q: High Court of Manipurna Covid patient phamsennaribasing chatthok chatsin yahallu hairaklibasi achumba direction oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Positive caseki mashing hantharaktribasi covidki mayokta loukhatpa chekchin thourangsing ahoba leibadagi oigadra?

Yes 92% No 08%

অস! লোইরেহে!

- লুহোংবসিদি য়ৈথোকপসু য়াদ করম্না পাঙথোক্কনি ইবাই?

- [illegible]

- য়ুট্যুব লাইভ ওইনা হোংলসি, পোৎয়েংসু ওনলাইন ওইনা, সিনা ফরনি।

- [illegible]

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE
- No Guarantor required
- One Day Delivery
Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/6949/27/4-25/5

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫